# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক অসিদা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

২) মণিপুর য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফশিংদা ঙসি ১৬ শুবা নেসনেল ভোতরস ডে পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩০ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক প্ং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

------

ডে (এল)ঃ লৈবাক অসিদা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে। মপুং ওইবা থৌরম নিউ দিল্লিগী করতব্যা পার্কতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা য়ুরোপিয়ান কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উরসুলা ভোন দর লেয়েন অমসুং য়ুরোপিয়ান কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন্তোনিও লুইস শন্তোস দা কোষ্টা শরুক য়াগনি।

মনিপুরদসু নুমিৎ অসি পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কংলাদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনগনি। তুংদা মার্চ পাস পেরেদকী সলামি ওক্কনি অমদি তোঙান তোঙানবা পুলিস মেদলশিং লান্থোক্কনি।

থৌরম অসি পাঙথোকপদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। হয়েং ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিংদা মীয়ামা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অহোংবা খরা লৈগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসকী চেরোল অমদা হায়- হয়েং গনতন্ত্র দিবসকা মরি লৈননা ইম্ফাল সহরগী অকোইবদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি। অহোংবশিং অসি থৌরম লোইদ্রিবা ফাওবা মীয়ামা ঙাকা চৎপীনবা হায়রি।

লৈবাক অসিদা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী মাংওইননা ঙসি রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। অকাশবানি অমসুং দুরদর্সনগী চেন্নেল পুমমক্তা নুমিদাং পুং ৭ তগী হিন্দি লোলদা শন্দোক্কনি। মদুগী তুংদা ইংরাজি লোলদা অমুক শন্দোক্কনি। মদুগী তুংদা অকাশবানি অমসুং দুরদর্সনগী রিজনেল চেন্নেলশিংদা লম লমগী লোলশিংদা শন্দোক্কনি।

ভোতরস ডে ঃ ঙসি অসি নেসনেল ভোতরস ডেনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ১৬ শুবা নেসনেল ভোতরস ডেগী থৌরম ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। চহি অসিগী হিরমনা মাই ইন্দিয়া, মাই ভোৎ হায়বসিনি।

থৌরম অসিদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, কেন্দ্রগী লো অমসুং জষ্টিসকী রাজ্য মন্ত্রি আর্জ্ন রাম মেঘৱাল, চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার গ্যানেশ কুমার য়াওনা ইলেক্সন কম্মিসনার ডাঃ শুখবির সিংহ সন্ধু অমসুং ডাঃ বিবেক জোসি শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতিনা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি অমদি ইলেক্তরস ফোটো আইদেন্দিতি কার্দস (ইপিক)শিং নৌনা ভোতর লিষ্টতা চল্লবা নহাশিংদা খুৎশিন্নগনি। মদুদা রাষ্ট্রপিনা বেষ্ট ইলেক্তোরেল প্রাক্তিসেস এৱার্দশিংসু য়েন্থোক্কনি।

মণিপুরদসু নেসনেল ভোতরস ডেগী পালন থৌরম ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসতা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি বিবেক কুমার

দেৱানগন অমসুং দি.জি.পি রাজিভ সিংহ্ শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা অহানবা ওইনা ভোত থাদগদবশিংগী ভোতর লিষ্ট পুথোক্কনি। মাই ইন্দিয়া, মাই ভোৎকা মরী লৈননা পাওথোকখিবা ওনলাইন এসে কম্পিতিসনদা মকোক মথং তারক্লবশিংদা মনাসু য়েন্থোক্কনি।

সিইসি ঃ চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার গ্যানেশ কুমারনা হায়রি- অচুম্বা ইলেক্তোরেল রোলদা গনতন্ত্রগী য়াংলেন শরু ওইরি। মসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) শেমদুনা লৈবাক অসিগী ভোত থাদবা য়ারবা মীপুম খুদিংমক ইলেক্তোরেল রোলদা য়াওহনবা অদুগা য়াদবশিং মদুদগী লৌথোকনবা পায়খৎলকপনি।

নেসনেল ভোতরস ডেগা মরী লৈননা পীবা পাউজেল অমদা মহাকা হায়- এস.আই.আর অসি বিহারদা মপুং ফানা লোইশিল্লে। রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১২ দা এস.আই.আরগী থবক হৌজিক মপুং ফানা চত্থরি। মখা তানা লেমহৌরিবা রাজ্যশিংদসু পাওথোকবা থৌরাং তৌরে। নহা ভোতরশিংনা শুকশোই শোইদনা ভোৎ থাদদুনা গনতন্ত্রগী এম্বেসেদর ওইবীনবা অমসুং ইলেক্তোরেল প্রোসেস অসিদা অতৈ তোপ্পা মীওইশিংসু পুকিং থৌগৎনবা শ্রী গ্যানেশ কুমারনা আপীল তৌরি।

করনাটক ঃ করনাটক্তা অহানবা ওইনা ভোৎ থাদগদবা মীওইশিংগীদমক্তা মাই ভারত, মাই ভোৎ কেম্পেন ঙরাং হৌদোকখ্রে। ঙসিদগী মপুং ফানা পাওথোক্কদবা কেম্পেন অসি রাজ্য অদুগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগা স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা শিনবনি। কেম্পেন অসি ভোতরশিংদা গনতন্ত্রবু ময়েক শেংনা খঙহন্নবা শিনবনি। কেম্পেন অসিদা নহা খুদিংমকা শরুক য়াননবা রাজ্য অদুদা সাইকল রেল্লিসু ঙসি পাওথোক্কনি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩০ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

গজেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ভারতনা বুদ্ধিষ্ট লাইনিং চৎপা মীওই কয়াগী অচৌবা ফম্বাক অমা পীদুনা মালেমগী থাক্তা ৱারী শান্নবগী তাঞ্জা কয়া পীরি।

দিল্লিদা পাঙথোকপা গ্লোবেল বুদ্ধিষ্ট সম্মিৎকী অনিসুবা মীফম হৌদোকপদা শ্রী সেখাৱটনা হায়- স্কোলারশিং, গুরুশিং অমসুং বুদ্ধিষ্ট লম্বোইবনচিংবশিংগী ফম্বাক অমা পীদুনা অপুনবগী শক্তম অমা শেমগৎতুনা শান্তি ওইনা লৈবাক অসিনা নিংথিনা লৈবা ঙমবা হোৎনরি। মন্ত্রিনা হায়- গ্যান ভারতমগী মখাদা সরকারনা মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা চে চাংশিং দিজিতাইজ তৌনবা থবক পায়খৎলে।

রোজগার ঃ ১৮ শুবা প্রধান মন্ত্রি রোজগার মেলা ঙরাং লৈবাক অসিগী মফম ৪৫ দা পাঙথোকখ্রে। রোজগার মেলা অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নিউ দিল্লিদগী ভারচুয়েল ওইনা হৌদোকখি।

হরিয়ানাগী পঞ্চকুলাদা লৈবা ইন্দো-তিবেতান বোর্দর পুলিস সেন্তরগী ২৬ শুবা সেক্তরদা পাঙথোকপা থৌরমদা কেন্দ্রগী পৱার এন্দ হাউজিং এন্দ অরবান এফ্যারস মন্ত্রি মনোহরলালনা থবক চংবগী এপ্পোইন্টমেন্ট লেটর ১০৯ য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- রোজগার মেলাগী খুত্থাংদা লৈবাক অসিগী নহারোল লাখ ১১ রোমদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবকশিং পীবা ঙমলে।

ঝারখন্দগী হজারিবাগতা পাঙথোকপা থৌরমদনা কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রি অনাপুরনা দেবীনা এপ্পোইন্টমেন্ট লেটর ২৩৩ য়েন্থোকখি।

মহারাষ্ট্রগী নাগপুরগী হিংনাদা লৈবা সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্সকী গ্রুপ সেন্তরদা পাঙথোকপা মেলাদা দিপ্যুতি ইন্সপেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস অনিল কুমারনা এপ্পোইন্টমেন্ট লেটর ২৫০ য়েন্থোকখি। পুনেগী সি.আর.পি.এফ গ্রুপ সেন্তরদসু কেন্দ্রগী কোর্পোরেসন অমসুং সিভিল এভিএসনগী রাজ্য মন্ত্রি মুরলিধর মোহোন্না এপ্পোইটমেন্ট লেটর ৩০০ য়েন্থোকখি। এপ্পোইটমেন্ট লেটর ফংলবা নহাশিং অসিনা কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয় অমসুং বিভাগশিংদা থবক তৌবা হৌরগনি।

ক্রিকেট ঃ জিম্বাবৱেগী বুলাৱাইয়োদা পাঙথোকপা চহি ১৯ মখাগী নুপাগী ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতনা নিউজিলেন্দবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

ভারতনা টোস ঙমদুনা নিউজিলেন্দবু হান্না বেত্তিং তৌহনবদা রন ১৩০ লৌবা ঙমখি। ভারতকী স্কিপ্পর আয়ুস মাত্রেনা বোল ২৭ তা লন ৫৩ লৌবা ঙমখি। ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখিবা ভারতকী বোল্লর আর.এস. অম্ব্রিসনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

চেকশিন থৌরাং পায়খৎত্রিবা ফাওবা কনক্রিট রোডকী থবক লেপ্পগনি, নেসনেল ভোতরস ডেগী থৌরম পাঙথোকবা অমসুং রাজ্যপালনা ময়াংলম্বম রিসিকান্টা মীহাৎতা চেন্নবশিং চৈরাক পীগনি হায়বা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইরি।

ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিংদা রিজিৎ পেভমেন্টকী থবক্তা সেফতি মেজর তৌদ্রিবশিং খুদক্তগী লেপহল্লগনি হায়না চীফ ইঞ্জিনিয়ারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম

নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পি.দব্লিউ.দিনা কন্ট্রেক্তরশিংদা লন্বী শেন্বা মতমদা চেকশিন থৌরাং লোখৎত্রবদি থবক লেপবা খঙহনখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক, পোকফম, সনালৈবাক অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তোঙান তোঙানবা আর্মি ফোর্সতা লৈবা পার্সোনেলশিংদা পীবা ওর্নরেরি রেঙ্ক ফংগদবশিংগী লিষ্টতা মণিপুরদগী মরি য়াওরি হায়না পোকফমদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা লৈরিবা নুপী লল্লোনবশিং চংজরক্কদবনি হায়বা প্রিপাক্কী ব্রারোল সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

ময়াংলম্বম রিসিকান্টা মীশিংগী মতাংদা লৈঙাকা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা কৈথেল ফম্বীশিংনা তকশিনখিবগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। মীহাৎ অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরকপগী পাউ পাউচে অসিগী ইংলিস ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

১৬ শুবা নেসনেল ভোতরস ডে ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর মেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------